# মীওইবগী পুন্সি হায়বসিদি কনানসু তম্বা ঙমদে, ঐনা ফনা য়াম্না পান্নবসু লাইবক্তা তল্লমদ্রবদি ওইবা খক ফঙদে



সাপম প্রেমকান্ত
*(নেসনল ফুটবোল কোচ)*

রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং

(ঙরাংগী মখা)

মাষ্টর লোইরগা, য়ুমদা থোরক্তুনা লৈবা মতমসিদা ইশানা শান্ননিংবনিনা ফুটবোলসিদি অদুম লপ্তুনা শান্নজরকখি। কুমজা ১৯৮০ গী মতমসি মণিপুরদা স্পোর্টসকী ৱেব অমসু ফজনা লৈ। ইন্টর ওফিসকী টুর্নামেন্টকসি য়াম্না চাউনা চাউনা পাঙথোকই। ষ্টেটসিগী লৈরিবা দিপার্টমেন্টশিং অসি অরিঙবা টিম ওইননবা প্লেয়র অফবশিংসি কোইথি থিদুনা নেক্নে। মাগী মাগী দিপার্টমেন্টশিংনা, চেম্পিয়ন ওইহৌনবা হায়দুনা থৱায় য়াওনা য়াওনা হোৎনৈ। ঐহাকসু মতমদুদা ফিসরি দিপার্টমেন্টকী কাঙবুনা নেক্লক্তুনা ফিসরি দিপার্টমেন্টকী টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি।

লাইবক ফদুনা কুমজা ১৯৮০গী ইন্টর-ওফিস ফুটবোল টুর্নামেন্টসি ফিসরি দিপার্টমেন্টনা চেম্পিয়ন ওইখি। মদুদা ঐহকাসু দিপার্টমেন্টসিদা থবক খনবীখি। ইমুং-মনুংগী লৈত-লায়রগী খল্লগা থবক্তু অদুম জোইন তৌজখি। অদুবু কুমজা ১৯৮০দা চঙখিবদু শান্নবগা মরী লৈননা পীক্লা চঙখিবনিনা, মতম শাংনা প্রমোসন কাবা ঙমদনা লৈখি। মাষ্টরগা লোইদুনা, অৱাংবা থাক্তা পাস তৌদুনা লৈজরসসু, ঐখোয়দা ওফর তৌরকখিবদি শান্নবা ওইনা অপীকপা পোষ্টতা তৌরকখিবনা মতম শাংনা অৱাবা কয়াসু খাংলকখি। ইমুংদা খরদা ওইরবসু মতেং পাংবা ঙম্লগনি খন্থরগা পেন্থোকচখি। অদুবু, কোন্নথংদা অহলশিংনা শিনবীরগা কুমজা ২০১৬ সিদা ফিসরি ওফিসর কাজরগা, হায়রিবা চহীসিমক্কী দিসেম্বর থাদা থবক্তগী পোথাজখি। য়ুঠ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টতদি ঐহাক থবক চঙজবা ঙমজরকখিদে। অঙম-অথৌ কাংবুদা খঙন-চানবসু লৈরক্তে। অদুগা, ৱানোম্নবা পৈশাসু লৈরক্তে। হিংলক্লিবা পুন্সি মহিংদুনা মরম ওইরগা, খরা থাক ৱাংখৎপা থবক-ইনখাং ফংবা ঙমগনি হায়বসিসু ইশাদা থাজরকখিদে। ফিসরি দিপার্টমেন্টতা পেন্সন চৎলমদাইদা ফিসরি ওফিসর কাজখ্রিবা অসিসু, য়াম্লুং আর কে নিমাইনা শিনবীরগা, কুমজা ২০০২ দা শন্তোস ট্রোফি চেম্পিয়ন লৌখিবদুগী প্রমোসন অমসি পীবা য়াব্রা হায়বদু য়েংশিল্লগা কোন্নথংদা পীবিরকখিবনি।

অদুগা, ঐহাক্না এন আই এস দিপ্লোমা কোর্স তৌজখিবসিসু ওজা কামিনিকুমারনা শীনবিরকখিবনি।





কুমজা ১৯৮৬কী মতমসি, মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবীরম্বা য়াম্লুং আর কে জয়চন্দ্রসি য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর (ষ্টেট) ওইনা থৌ পুরি। হায়রিবা মতমসিদা, য়াম্লুংসিনা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটতা লৈরিবা প্লেয়রশিং এন আই এস তম্নিংলবদি তম্বা য়াগনি, ফুদিং লোদজিংসু ফ্রি ওইগনি হায়না লাউথোরকখি। অদুদগী লাইবক ফদুনা কলকতাদা থা ১১ গী এন আই এস (ফুটবোল) কোর্সসি তৌজবা ফংজরকখি। অমরোমদা, ঐখোয়বু তাকপি তম্বীরকখিবা সর কামিনিকুমারসু কলকতাদা ফুটবোল কোচ ওইনা লৈবনিনা ঐখোয়বু ফজনা লমজিং লমতাকপীরকখি। মদুগী এন আই এস কোর্স অদুদা, ঐহাক সেকেন্দ তাজরকখি। অদুনা ঐহাকসি দাইরেক্ট এপোইন্টসু ফংজখি। গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিটিদা থা অহুমলোমসু লৈদুনা থবক তৌজরমখি। শান্নরোয়দগীসু হৌজরকখিবনিনা, স্পোর্টসকা মরী লৈনবা মফমদা লৈগে হায়নসু পুক্নিংদা খঞ্জরকখি। অদুবু, মীওইবগী পুন্সি হায়বসি কনানসু তম্বা ঙমদে। ৱাখল নুংঙাইনা ফুটবোলগী কোচ ওইনা তপ্না তপ্না থবক চঙশিলকপা মতাংদুদা, খংহৌদনা ইচন্নুপী অতোনবী (শান্তিবালা) ব্লদ কেন্সরনা নারকখি। মতমদুদা, ইচন্নুপীগী লায়েংবা পুথোক পুশিন, চথোক-চৎশিনসি তঙাইফদনা ঐনা তৌবা য়াদবা মতাং অমা ওইখি। অদুনা মরম ওইরগা, তাংনা ফংজবা খুদোংচাবু মাঙখি। ঐনা অনাবগী কন্না চেল্লিঙৈসিদা ইন্টর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস মীট লৈবা মতমসু ওইখি। কোন্না ঐনা গুৱাহাতি য়ুনিভর্সিটিদা চৎলুবা মতমদদি, ঐগী মরমদা ইবা চে-চাংশিং দেল্লিদা থাখ্রে হায়দুনা লৈরমখি। মতম শাংনা চৎলুদবা অদুদা মহাক থবক মফমদা লৈত্রে হায়দুনা রিপোর্ট হঞ্জিন হঞ্জিন থারম্বা অদুনা মাঙজবা হায়বদুসু অদুম ওইখ্রে। লাইবক্তা তল্লমদ্রবদি ওইনিংলবসু ওইবা য়াদে।

অদুগা, হৌজিক হৌজিক সাইগী দিরেক্তর ওইনা লৈরিবা ফ্রান্সিস মারৱিনসিসু ঐখোয়গা পুন্না এন আই এস তৌমিন্নরকপনি। মাসু মৈতৈগী অশেংবা ব্লদনি। মবুক মপাউসু য়াম্না ফবনি। মাগা ঐগদি মণিপুরীদা ৱারী অদুম শান্নে। স্পোর্টস নুংশিজবা, শান্ন-খোৎপা চাউখৎহনবা পামজবা মীশক্নি। অমরোমদা, ঐগী ফুটবোলগী ওইবা পুন্সি অমা শেম্বীরকখিবসিদি ওজা রঞ্জিৎ রোইননি। ঐনা হিংলিঙৈমখৈ কাউবা ঙম্লোইদবা ওজাশিংদি সর কামিনি, ওজা রঞ্জিৎ রোই, য়ু এস এগী ঐবু খুৎ পায়দুনা তম্বীরকখিবা অহল-লমন ময়ামসিনি।

... মথং মথং ...

২৩শুবা সেনিয়র ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ

## এস আর দব্লিয়ু সী অমসুং সেন্ট এন্থোনিনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস): মণিপুর বাস্কেটবোল এসোসিএসন্না শীন্দুনা নহাবম বাস্কেটবোল কোর্টতা চথরকপা ২৩শুবা সেনিয়র ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯গী নুপাগীদা এস আর দব্লিয়ু সী অমসুং নুপীগীদনা সেন্ট এন্থোনিনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

সেনিয়র মেন্সকী ফাইনেলদা এস আর দব্লিয়ু সী অমসুং এল এম ৱাই ভি এ লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী অহানবা ক্বার্টরদা এল এম ৱাই ভি এনা এস আর দব্লিয়ু সীবু পোইন্ট ১৯-১৭তা মাঙজিল থাখি। মখা তাবা ক্বার্টরশিংদা এস আর দব্লিয়ু সীনা এল এম ৱাই ভি এবু ২২-৭, ২৭-১৫, ২৩-১৩দা মাঙজিল থাখি। মেচ অদুদা এস আর দব্লিয়ু সীনা এল এম ৱাই ভি এবু পোইন্ট ৮৯-৫৪দা মায়থীবা পীখি।

সেনিয়র ৱিমেন্সকী ফাইনেলদা সেন্ট এন্থোনি অমসুং বি এস সী লম্বা তৌনখি। মেচ অসিগী ক্বার্টরশিংদা সেন্ট এন্থোনিনা বি এস সীবু পোইন্ট ৮-৪, ১১-৮, ১০-৩, ১৫-৪দা মাঙজিল থাখি। মেচ অসি সেন্ট এন্থোনিনা বি এস সীবু পোইন্ট ৪৪-১৯দা চাউনা মায়থীবা পীখি।

২৩শুবা সেনিয়র ষ্টেট বাস্কেটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ লোইশিনবগী থৌরমদা হেলথ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমার, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টি ঐচ রাধেশ্যাম অমসুং মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চেয়রমেন এল রাধাকিশ্বরনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

## প্রগনন্ধ মায়থীহৌরে, মুরালি অমসুং ইনিয়ান মায় পাকখ্রে

WJCC-2019
Delhi | India

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ১৮(এজেন্সী): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুদা ন্যু দিল্লিদা ঙরাংদগী হৌখিবা ৱর্ল্ড জুনিয়র চেছ চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা নুপামচাগী ওপন কেটগোরিদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর আর প্রগনন্ধ না ঙসি ৫শুবা রাউন্দদা মায়থীহৌরে। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী মুরালি কার্থিকেয়ন অমসুং পি ইনিয়ান মায় পাকখ্রে।

ঙরাং মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৩.৫ ফংখিবা প্রগনন্ধ ঙসি য়ুকনেগী শান্নরোয় ইবজেনি ষ্টেন্মুলিয়াক্কী মখুৎতা মুভ ৩৫দা মায়থীদুনা ইবজেনিনা পোইন্ট ৪.৫ ফংলগা নুপামচাগী কাংলুপ্তা মন্থননা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইরিবা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর মুরালি কার্থিকেয়নন অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় রাজা হর্সিপকা ৫ শুবা রাউন্দ লম্বা তৌনরকপদা মুভ ৩৪দা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৪ ফংবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা গ্রান্দ মাষ্টর পি ইনিয়াননা ঙসি মোঙ্গোলিয়াগী অমরতুপসিল গঞ্জোরিকপু মুভ ৪৪দা মায় পাক্তুনা মহাকসু কার্থিকেয়নগা লোয়ননা পোইন্ট ৪ ফঙমিন্নরি।

ইন্দিয়াগী মেন্দোকা লিওন লুকেনা ৫ শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী শান্নরোয় খানিন সেমেনগা লম্বা তৌনখিবদা মুভ ৩৮ শান্নরগা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ০.৫/০.৫ ফংমিন্নখি। অর্মেনিয়াগী সার্গসিন অমসুং কজাকস্তানগী অগমানোব জান্দোস মুভ ৩৪দা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট য়েন্নখি।

থাদৌ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

## টি এস এ চান্দেল, তেংনৌপল মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৮ (ঐচএনএস): থাদৌ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (টি এস এ) তেংনৌপল অমদি চান্দেলনা শীন্দুনা ২শুবা থাদৌ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোলনোই এরিয়া প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখিবগা লোয়ননা টি এস এ চান্দেল তেংনৌপল মায় পাকখ্রে।

২শুবা থাদৌ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ হৌদোকপগী থৌরম অদুদা য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, এ দি সী চান্দেলগী ভাইস চেয়রমেন এস তোঙপাও মাটে, গ্রীনলেন্দ হোস্পিটালগী প্রোপ্রাইটর ডো. জামলাল হাওকিপ, দি এস পি তেংনৌপল এস এল কামখোহান এম পি এস, থাদৌ ইনপি জেনরেল হেদ ক্বার্টরগী প্রসিদেন্ট লম্মিনথাংনা অথোইবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

তোঙান তোঙানবা টিম ১৬না শরুক য়াদুনা চথরিবা ২শুবা থাদৌ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসিগী অহৌবা মেচতা টি এস এ চান্দেল তেংনৌপল অমসুং লমজাও এফ সী লম্বা তৌনখি। মেচ অদু লোইশিল্লকপদা টি এস এ চান্দেল তেংনৌপলনা লমজাও এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীখি।

গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া
মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্স

প্রি-মেট্রিক, পোষ্ট-মেট্রিক অমসুং মেরিট-কম-মিন্স
স্কোলার্সিপ ২০১৯-২০

মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্স (এম ও এম এ) ইন্দিয়া লৈঙাক্না নোটিফাই তৌরবা মাইনোরিটি কম্মুনিতি ৬ (জেন, বুদ্ধিষ্ট, সিখ, জোরোষ্ট্রিয়ান (পার্সিস), মুস্লিম অমসুং খৃষ্টিয়ান)গী মহৈরোইশিংদা খুদোংচাবা পীদুনা স্কোলার্সিপ ৩গী স্কিম মিং ওইনা প্রি-মেট্রিক, পোষ্ট-মেট্রিক অমসুং মেরিট-কম-মিন্সতা বেজ তৌবা কুমজা ২০১৯-২০গী স্কোলার্সিপ পীনবা লাউথোকখ্রে।

টাইমলাইন

ওনলাইনদা এপ্লিকেসনশিং পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎ
মহৈরোইশিংগী অনৌবা স্কোলার্সিপ (অহানবা এপ্লিকান্ট) অমসুং স্কোলার্সিপ রিন্যুএল (কুমজা ২০১৮-১৯দা স্কোলার্সিপ ফংখ্রবা এপ্লিকান্টশিং) অদুদি মখাদা পীরি।

| | |
|---|---|
| প্রি-মেট্রিক স্কোলার্সিপ | ওক্টোবর ৩১, ২০১৯ |
| i. পোষ্ট-মেট্রিক স্কোলার্সিপ অমসুং<br>ii. মেরিট-কম-মিন্সতা বেজ তৌবা স্কোলার্সিপ | ওক্টোবর ৩১, ২০১৯ |

ইলিজিবিলিটি

- এপ্লিকান্টশিং অদু নোটিফাইদ মাইনোরিটি কম্মুনিতিজ (জেন, বুদ্ধিষ্ট, সিখ, জোরোষ্ট্রিয়ান (পার্সিস), মুস্লিস অমসুং খৃষ্টিয়ান)গী মহৈরোই অমা ওইগদবনি।
- এপ্লিকান্টশিং অদু লৈঙাক্কী নত্রগা শকখঙলবা প্রাইভেট য়ুনিভর্সিটি/ইন্সটিট্যুট/কোলেজ/স্কুলদা মহৈ তম্বা ওইগদবনি।
- তম্লীবা কোর্স অদু য়ামদ্রবদা চহী ১গী মতম ওইগদবনি।
- এপ্লিকান্টশিংনা হৌখিবা চহীগী বোর্দ/ক্লাস এগজামিনেসন ৫০% ফংগদবনি।

খঙজিনগদবশিং

এপ্লিকান্টশিংগী

- এপ্লিকান্টশিংনা স্কোলার্সিপ স্কিম অমা হেক্তা ওন লাইনদা নেসনল স্কোলার্সিপ পোর্টেল ওইরিবা - www.scholarships.gov.in(www.minorityaffairs.gov.in হায়বা লিঙ্কতসু ফঙগনি) নত্রগা মোবাইল এপ- National Scholarships (NSP) তা এপ্লাই তৌবা য়াগনি।
- অকুপ্পা 'ইনষ্ট্রক্সনশিং' ওনলাইনদা এপ্লিকেসন মেনশিনবগী মতাং অমসুং 'ফ্রিক্বেইন্টলি আস্ক ক্বেসন্স (এফ এ ক্যু শিং)' অদুসু নেসনল স্কোলার্সিপ পোর্টেল হোম পেজদা ফঙগনি।
- এপ্লিকান্টশিংনা এক্টিব মোদতা নত্রগা বেঙ্ককী ইনষ্ট্রক্সনশিং ঙাক্না চৎলিবা বেঙ্ক একাউন্ট দিটেলশিং অদুতমক পীদুনা স্কোলার্সিপ পীবদা য়াদবা লৈহল্লোইদবনি।

য়ুনিভর্সিটিশিং/ইন্সটিট্যুটশিং/কোলেজশিং/স্কুলশিংগী

- মাইনোরিটি মহৈরোই অমনা তম্লিবা য়ুনিভর্সিটিশিং/ইন্সটিট্যুটশিং/কোলেজশিং/স্কুলশিংনা নেসনল স্কোলার্সিপ পোর্টেলদা রেজিষ্টার তৌগদবনি (হান্না তৌরমদ্রবদি **খুদক্তা** তৌগদবনি)।

**অকুপ্পা মরোলগীদমক :**
মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়র্সকী ৱেবসাইটতা চঙউ, মদুদি www.minorityaffairs.gov.in
সমধান হেল্প লাইন (টোল ফ্রি) - ১৮০০-১১-২০০১
(মতম অয়ুক পুং ৯দগী নুংথিল পুং ৫.৩০, নিংথৌকাবদগীনা ইরাই ফাওবা, ছুটি নত্তবশিং)

মতেংনা ঐখোয়গী, পন্থুংনা অদোমগী

davp 27101/13/0019/1920

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৫

১) মহাক ওলিম্পিক চেম্পিয়ননি, মিলিটরি বুথ তোংলগা লমজেল প্রেক্টিস তৌবগী মমিং চৎলি। মহাক কনানো?

২) ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা 'পব্লিক স্পোর্টস মীট' অদু করম্বা চহীদনো?

৩) অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ভোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবা টিমগী কেপ্টেন অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) ওলিম্পিক্কী নুঙলংবগী থৌরম অমদা শান্নরোয় অমা অনীরক দিসক্বালিফাই ওইখি। মরমদি মহাক্না নুঙ অদু তা লংবদৌনা নত্রগা লৈতুম হুনবদৌনা লংখি। কাংলোনগী মতুংইন্না নুঙ অদু ঙক্না খজায় শোক্না থল্লগা লংগদবনি। মদুদা মহাক শাউদুনা থৌরম অদু লোয়দনা তোকখি। মহাক্কী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা **hueiyensportsquiz@gmail.com** দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## INDIAN SUPER LEAGUE 2019-2020
### SCHEDULE, FIXTURES

| Date, Time & Venue | Match | | |
|---|---|---|---|
| Oct 20 2019, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | ATK |
| Oct 21 2019, Mon - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | NorthEast United |
| Oct 22 2019, Tue - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Odisha |
| Oct 23 2019, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Chennaiyin FC |
| Oct 24 2019, Thu - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Mumbai City |
| Oct 25 2019, Fri - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Hyderabad |
| Oct 26 2019, Sat - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Odisha |
| Oct 27 2019, Sun - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Mumbai City |
| Oct 28 2019, Mon - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Bengaluru |
| Oct 29 2019, Tue - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Hyderabad |
| Oct 30 2019, Wed - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | ATK |
| Oct 31 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Odisha |
| Nov 1 2019, Fri - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Goa |
| Nov 2 2019, Sat - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Kerala Blasters |
| Nov 3 2019, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Bengaluru |
| Nov 6 2019, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | NorthEast United |
| Nov 7 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Goa |
| Nov 8 2019, Fri - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Odisha |
| Nov 9 2019, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Jamshedpur FC |
| Nov 10 2019, Sun - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Chennaiyin FC |
| Nov 23 2019, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Kerala Blasters |
| Nov 24 2019, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | ATK |
| Nov 25 2019, Mon - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin | Vs | Hyderabad |
| Nov 26 2019, Tue - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Jamshedpur FC |
| Nov 27 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Mumbai City |
| Nov 28 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Odisha |
| Nov 29 2019, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Bengaluru |
| Nov 30 2019, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Mumbai City |
| Dec 1 2019, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Goa |
| Dec 2 2019, Mon - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur | Vs | NorthEast United |
| Dec 4 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Bengaluru |
| Dec 5 2019, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 6 2019, Fri - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 7 2019, Sat - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | ATK |
| Dec 8 2019, Sun - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Goa |
| Dec 11 2019, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Hyderabad |
| Dec 12 2019, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Chennaiyin FC |
| Dec 13 2019, Fri - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 14 2019, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | ATK |
| Dec 15 2019, Sun - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Mumbai City |
| Dec 18 2019, Wed - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Bengaluru |
| Dec 19 2019, Thu - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Mumbai City |
| Dec 20 2019, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Kerala Blasters |
| Dec 21 2019, Sat - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | ATK |
| Dec 22 2019, Sun - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Odisha |
| Dec 25 2019, Wed - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Bengaluru |
| Dec 26 2019, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Goa |
| Dec 27 2019, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Jamshedpur FC |
| Dec 28 2019, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | NorthEast United |
| Dec 29 2019, Sun - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Hyderabad |
| Jan 2 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 3 2020, Fri - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Goa |
| Jan 4 2020, Sat - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | ATK |
| Jan 5 2020, Sun - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Hyderabad |
| Jan 6 2020, Mon - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 8 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | NorthEast United |
| Jan 9 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 10 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Chennaiyin FC |
| Jan 11 2020, Sat - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Mumbai City |
| Jan 12 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 15 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Odisha |
| Jan 16 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | NorthEast United |
| Jan 17 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Bengaluru |
| Jan 18 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Goa |
| Jan 19 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 22 2020, Wed - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Odisha |
| Jan 23 2020, Thu - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Jamshedpur FC |
| Jan 24 2020, Fri - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Mumbai City |
| Jan 25 2020, Sat - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Kerala Blasters |
| Jan 27 2020, Mon - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | NorthEast United |
| Jan 29 2020, Wed - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Goa |
| Jan 30 2020, Thu - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | Hyderabad |
| Jan 31 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | NorthEast United |
| Feb 1 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 2 2020, Sun - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | ATK |
| Feb 5 2020, Wed - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Hyderabad |
| Feb 6 2020, Thu - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 7 2020, Fri - 19:30 (IST), Chennai | Chennaiyin FC | Vs | Bengaluru |
| Feb 8 2020, Sat - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Odisha |
| Feb 9 2020, Sun - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Kerala Blasters |
| Feb 12 2020, Wed - 19:30 (IST), Hyderabad | Hyderabad | Vs | Jamshedpur FC |
| Feb 13 2020, Thu - 19:30 (IST), Goa | Goa | Vs | Mumbai City |
| Feb 14 2020, Fri - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | NorthEast United |
| Feb 15 2020, Sat - 19:30 (IST), Kochi | Kerala Blasters | Vs | Bengaluru |
| Feb 16 2020, Sun - 19:30 (IST), Kolkata | ATK | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 19 2020, Wed - 19:30 (IST), Jamshedpur | Jamshedpur FC | Vs | Goa |
| Feb 20 2020, Thu - 19:30 (IST), Guwahati | NorthEast United | Vs | Hyderabad |
| Feb 21 2020, Fri - 19:30 (IST), Mumbai | Mumbai City | Vs | Chennaiyin FC |
| Feb 22 2020, Sat - 19:30 (IST), Bangalore | Bengaluru | Vs | ATK |
| Feb 23 2020, Sun - 19:30 (IST), Delhi | Odisha | Vs | Kerala Blasters |